**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-02-2025)**
--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নুমিৎ ৪ নি চত্থগদবা ঐখোয়গী ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ঙসিদগী ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা হৌখ্রে।

২) আই.পি.আর দাইরেক্তর ঙাঙোম উতমনা হায়রি- সেক্সুয়েল হেরাসমেন্টকা মরী লৈননা কর্ম্মচারিশিংনা থবক শুফমশিংদা ইন্তরনেল কমপ্লেন কমিতি শেম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

৩) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- মহাক্কী সরকারগী চাওখৎ থৌরাংগী মোদেল অসি লৈবাক্কী হান্না হায়বদুনি। মসি কনাগুম্ববু পেলহন্নবা তৌবদা মীৎয়েং থম্বা নত্তে, লৈবাক্কী ওইনা অপেনবা অদুদা থম্বা মীৎয়েংনি।

৪) পরিক্সা পে চরচাগী ৮ লক শুবা ইদিসন কুমশিগী ওইনা অনৌবা মওং অমদা থা অসিগী ১০ দা নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্লগনি।

অমসুং

৫) ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মণিপুরগী সাইক্লিষ্ট লাইতোঞ্জম রোনালদো সিংহ, বোক্সর টি.ঐচ. চীংলেম্বা সিংহ অমসুং সোভি জাজোনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংলে।

------

ফিলম (এল)ঃ ঐখোয়গী ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা হকশেল অমসুং

আই.পি.আর মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন্না হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরমদা ডাঃ রঞ্জন্না হায়- মণিপুরী ফিলমবু মালেমগী থাক্তা য়ৌনবা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়না অহেনবা মীৎয়েং চংহন্নিংই। ফিলম হায়বসি লোল খেন্নবা লৈরবসু মীপুম খুদিংমকা য়েংনরি।

রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি প্রসান্ট কুমার সিংহনা হায়- ফিল্মনা সমাজ অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মণিপুরী ফিল্ম কয়া চেকশিন্না থমদুনা অমদি মীয়ামনা ফিল্মশিং অসি য়েংবা ফংনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ফিল্মগী মরি লৈনবা মীওইশিং মহাকা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মথং চহীদা ফেষ্টিভেল অসি অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকপা মীওইশিংসু শরুক য়াহন্দুনা হেন্না চাউনা পাঙথোকবা হোৎনগনি হায়না মহাকা মখা তাখি।

নুমিৎ ৪ নি চখুগদবা ফেষ্টিভেল অসি ঙসি অহৌবা নুমিৎতা সিনেমাগী হোংলক্লিবা শক্লোন অমদি মনিপুরি সিনে এক্তরস হায়বসিদা পেনেল দিসকরসন অমা পাঙথোকখি।

ফেষ্টিভেল অসিদা ভুতান, নোরৱে, শ্রীলঙ্কা, ইরান, ম্যান্মার, ইংলেন্দনচিংবা মপান লৈবাক ১২ য়াওনা পুন্না ফিলম ৫৪ উৎকনি। ফিলমশিং অসি থিয়েটর মরি- মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইতি, তাম্থা পোলিস, কিউমেক্স অমসুং চন্দ্রকৃতি ওদিতোরিয়ামদা উৎকনি।

ফেষ্টিভেল অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা এম.কে. বিনোদিনিনা ইবা অরিবাম শ্যাম শর্ম্মনা দিরেক্সন পীবা- রেষ্টোর তৌরবা মণিপুরী ফিলম ইশানৌ উৎখি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ উত্তর প্রদেশকী প্রয়াগরাজদা পাঙথোক্লিবা মহা কুম্ভগী ত্রিবেনি সঙ্গমদা ঙসি ইরুপ্পুনা লাই খুরুমখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- গঙ্গা-যমুন অমসুং স্বারসতি তুরেলগী ইতিনফম ওইরিবা ত্রিবেনি সঙ্গমদা লেপ্পুনা লাই খুরুম্বদা পুকিং ৱাখলদা নুংঙাইবা ফাওই। মহাকা হায়- খুবাক অনি লোন্ননা

মণিপুরগী মীয়ামগীদমক শান্তি, চাওখৎপা অমদি য়াইফবা পুরকবগীদমক লাই খুরুমখি। মহাকা হায়- অসিগুম্বা ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজবা অসিনা অমত্তা ওইবা অমসুং মঙাল পীনবীবা ওইরসনু।

মুখ্য মন্ত্রিগা লোয়ননা ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম, পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ, পি.ঐচ.ই মন্ত্রি লৈশাংথেম শুশিন্দ্রো অমদি এম.এল.এশিং ত্রিবেনি সঙ্গমদা ইরুপখি।

কেম্প (এল)ঃ শগোলবন্দ কন্সটিট্যুন্সি প্রোগ্রেসিভ কমিতিগা অরবান প্রাইমারি হেলথ সেন্তরগা খুৎশমদুনা ঙসি শগোলবন্দগী মোইরাং লৈরক মনুং কম্যুনিতি হোলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। এম.এল.এ- আর.কে. ইমোগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা কেম্প অসিদা মীওই ১০০ হেন্না লায়েংখি। কেম্প অদুদা অঙাংশিং তিকা থাদোকপা, লেমা হিদাক য়েন্থোকপা অমসুং দাইবেটিস অমদি কেন্সরগী স্ক্রিনিং টেষ্টসু পাঙথোকখি।

কেম্প অদুগী মতাংদা শ্রী আর.কে. ইমোনা হায়-মীপুম খুদিংমক হকচাং ফনা লৈহন্নবা অমদি অনা অয়েক য়াওদনা লৈহন্নবগী পান্দমদা লেমা লায়েংবগী কেম্পশিং অসি পাঙথোকপনি। লোয়ননা সরকারগী তোঙান তোঙানবা হকশেলগী স্কিমশিং মীপুম খুদিংমক্তা য়ৌহন্দুনা লায়েংবদা খুদোংচাবা ফংহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনগনি। মীয়ামা কেম্পশিং অসিগী খুদোংচাবা লৌবীনবসু মহাকা আপীল তৌরি।

সেন্সিতাইজেসন (এল)ঃ সেক্সুয়েল হেরাসমেন্ট ওফ ৱিমেন এট ৱার্ক প্লেস (প্রিভেন্সন, প্রোহিবিসন এন্দ রিদ্রেসেল) এক্ট ২০১৩ গী মতাংদা সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না দি.আই.পি.আরগা লোয়ননা শিনবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন থুমলিক তিনিংফম মোনসাংনা হায়-

থৌরম অসি মরুওইনা থবক শুফমশিংদা সেক্সুয়েল হেরাসমেন্টকা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগী মতাংদা নুপীশিংবু নিংথিনা খঙহন্নবনি। মহাকা হায়- থবক শুফমশিংদা নুপীশিংনা চাদা ৫০ ওইরবসু তোঙান তোঙানবা মওংগী হেরাসমেন্টশিং তৌবগী অৱাবা কয়া মায়োকরি। অসিগুম্বা অৱাবা অসি কোকবগীদমক সরকারনা এক্ট অমসুং রুল শেমদুনা নুপীশিংবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লি। মহাকা হায়- থবক শুফমশিংদা মখোয়গী তৌফম থোকপা মতমদগী হেন্না মথৌ তৌরিবা নুপীশিংনা সেক্সুয়েল হেরাসমেন্ট ওফ ৱিমেন এট ৱার্ক প্লেস (প্রিভেন্সন, প্রোহিবিসন এন্দ রিদ্রেসেল) এক্ট ২০১৩ গী গ্যান লৈবা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা আই.পি.আর. দাইরেক্তর ঙাঙোম উতমনা হায়- থবক শুফমশিংদা নুপা অমসুং নুপীশিংগী মরক্তা অফবা মরী থম্বগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়- নুপা নুপী হক মান্নবা হায়বসি ইমুং অমদগী হৌগদবনি অমসুং ইমুং অদুগী অঙাংশিংবু নুপা নুপী খায়দনা যুম অমগী তৌফম থোকপা থবকশিং তৌহনগদবনি। মহাকা হায়- কর্ম্মচারি খুদিংমকা মখোয় মখোয়গী থবক শুফমশিংদা মীওই ১০ না শাবা ইন্তরনেল কমপ্লেন কমিতি শেম্বগী তঙাইফদবা লৈ। শ্রী উতমনা হায়- রাজ্য সরকারনা ইম্মরজেন্সি রেস্পোন্স সপ্পোর্ট সিষ্টেম চৎনহল্লে। মসিগী নম্বরনা ১১২ নি। হায়রিবা নম্বর অসি টোল ফ্রি নম্বরনি।

নোনে-২ (এল)ঃথবক শুফমশিংদা সেক্সুয়েল হেরাসমেন্ট য়েংশিন্নবা ইন্তরনেল কমপ্লেন কমিতি (আই.সি.সি)গী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা হুকুম থোকখ্রে। লৈবাক অসিগী রাজ্যশিংগী চীফ সেক্রেটরিগী মীৎয়েং মখাদা দিপ্যুতি কম্মিসনার অমসুং দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা মখোয় মখোয়গী জিলাশিংগী সরকার অমসুং লন্নাইগী থবক শুফমশিংদা আই.সি.সি শেমগৎপগী মশিং খঙদোকবা সর্ভে তৌনবা খঙহনখ্রে।

রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যারগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- আই.সি.সি লৈত্রিবা থবক শুফমশিংদা শেমগৎনবা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসারশিংনা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎনবা কোর্টনা খঙহল্লি।

মীয়ামগী নুমিৎ (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা মীয়ামগী নুমিৎ হয়েং অমসুং হংচিৎ পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসি কুম্বি গভর্নমেন্ট হাইস্কুল গ্রাউন্দ, তেরাখোং কুম্বিদা অয়ুক পুং ১১ দগী পাঙথোক্কনি। মসিদা মীয়ামা শরুক য়াবীদুনা সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা লৌবীনবা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার লৌরেম্বম বিক্রমনা আপীল তৌরি।

নোনে (এল)ঃ ৮ শুবা লোংমাই জেনেরেল এসেমব্লি ঙসি নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা লৈবা লোংমাই পার্টি ৱানদা পাঙথোকখ্রে। জেনেরেল এসেমব্লি অদুদা লোংমাই ভিলেজগী মীওই ৮০০ হেনবনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং, ভিলেজ সেট্টলমেন্ট রাইটস অমদি ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন য়াওনা হিরম কয়াগী মতাংদা ৱারেপ লৌখি।

মৈ (এল)ঃ হৌখিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা এম.এস.পি.দি.সি.এলনা তোঙান তোঙানবা মফমদা রেইদ চথবদা আই.ই.দি দিভিজন থ্রিদগী মৈ হুরাল্লগা থাল্লম্বা মীওই অনি, আই.ই.দি ফোরদগী মীওই ১৬, কাংপোকপী দিভিজনদগী মীওই ৩, বিষ্ণুপুরদগী ৯, ককচিং অমসুং থৌবাল দিভিজনদগী অমমম পুন্না মীওই ৩২ ফারে। মসিগা লোয়ননা মৈগী খাজনা থিদবগী কঞ্জুমর ২৮ গী মৈ ককথৎলে হায়না এম.এস.পি.দি.সি.এলগী জেনেরেল মেনেজর (কম্মর্সিয়েল)না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মহাক্কী সরকারগী চাওখৎ থৌরাংগী মোদেল অসি লৈবাক্কী হান্না হায়বদুনি । মসি কনাগুম্ববু পেলহন্নবা তৌবদা মীৎয়েং থম্বা নত্তে, লৈবাক্কী ওইনা অপেনবা অদুদা থম্বা মীৎয়েংনি। মহাকা হায়- লৈবাক্কী হান্না হায়বা মোদেল অসি মীয়ামা চাংয়েং তৌরে অমসুং মসিবু গ্যান তাবদগী মীয়ামা শৌগৎলি। মরম অদুনা মীয়ামা সরকার অসিবু অহুমসুবা টার্মগী শক্তি পায়নবা শিন্নবনি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা সংসদকী সভা অনিমক্তা পীখিবা ৱারোলগী মোসন ওফ থেঙ্কস রাজ্য সভাদা খন্নবগী পাউখুম পীরদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মহাক্কী সরকারনা স্কিল দিভলপমেন্ট, ফাইনান্সিয়েল ইনক্লুজন অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়েলাইজেসনদা অহেনবা মীৎয়েং চংলি। শ্রী মোদিনা হায়- মহাক্কী সরকারনা মহাক্কী সরকারনা সেদ্যুল ত্রাইব অমসুং সেদ্যুল কাষ্ট লোশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা মখোয়গী স্বার্থ ঙাকবা হোৎনরি। মসিদা নত্তনা দিবিয়াংশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়ামরুমসু সরকারনা পায়খৎলি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ত্রান্সজেন্দরশিংগী আইনগী ওইবা ফংফম থোকপা হকশিং ফংহন্নবা সরকার অসিনা হোৎনরি। সরকার অসিনা ও.বি.সি কাংলুপনা মতম কুইনদগী তান্দুনা লাকপা দাবীশিং ফংখ্রে।

পরিক্সা ঃ পরিক্সা পে চরচাগী ৮ লক শুবা ইদিসন কুমশিগী ওইনা অনৌবা মওং অমদা পাঙথোক্লগনি অমসুং তাঙ্কক ৮ লৈগনি। থৌরম অসি থা অসিগী ১০ দা নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা পাঙথোক্কনি।

শিক্ষা মন্ত্রালয়না হায়- অনৌবা মওং অসিদা তোঙান তোঙানবা হিরমদা মমিং লৈরবশিংনা মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নগনি অমসুং মখোয়গী লৌশিং অমদি থেংনদুনা খঙলকপশিং তাথোক তাশিন তৌনগনি। মন্ত্রালয়না হায়- থৌরম অসিদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদগী খনগৎলবা মহৈরোই ৩৬ প্রধান মন্ত্রিগা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। চেরোল অদুনা হায়- অহানবা ইপিসোদতা প্রধান মন্ত্রিনা মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নগনি। প্রোগ্রাম অসি দুরদর্সন, স্বায়ম, স্বায়ম প্রভা, পি.এম.ওগী য়ু ট্যুব চেন্নেল অমসুং ইদুকেসন অমদি ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী সোসিয়েল মিদিয়া চেন্নেলশিংদা শন্দোক্কনি।

কুমশি চহিগী ওইনা শিক্ষা মন্ত্রালয়না মহৈরোই, মখোয়গী মমা মপা অমদি ওজা কোতি ৩ লাখ ৫ থৌরম অসিদা শরুক য়ানবা রেজিষ্টর তৌরকখি।

প্লেন ঃ মধ্য প্রদেশকী শিবপুরি জিলাগী বেতা খুলদা ঙসি এয়ার ফোর্সকী ফাইটর জেট অমা কায়খ্রে। প্লেন মৈ চাকপগী পাউ হেক ফংবগা পুলিস অমদি ফয়ার বৃগেদকী টিমশিং মফম অদুদা চংশিনখি। প্লেন অদু পাইরকপা পাইলোত অনিমক অশোক অপনদি য়াওখিদে হায়রি। থৌদোক অদু করমা থোকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি। ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা থৌদোক অদু থিজিন্নবা হুকুম থোকখ্রে।

গেমস ঃ ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মণিপুরগী সাইক্লিষ্ট লাইতোঞ্জম রোনালদো সিংহ, বোক্সর টি.ঐচ. চীংলেম্বা সিংহ অমসুং সোভি জাজোনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংলে।

কিলোগ্রাম ৫১ গী নুপাগী কাংলুপ্তা চীংলেম্বা সিংহ চান্দিগরগী অন্সুল পুনিয়াগী মখুৎতা লৈহৌবনি। কিলোগ্রাম ৫৭ কী নুপীগী কাংলুপ্তা সোভি জাজো সঙ্গিতা খোকরগী মখুৎতা লৈহৌবনি।

নুপাগী হোক্কিদা মণিপুর পঞ্জাবকী মখুৎতা পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিহৌরে। নুপীগী হোক্কিদনা মণিপুর ঝারখন্দগী মখুৎতা পাঞ্জল ৭-০ মায়থিহৌরে। গেমস অসিগী ঙসি ১০ নি চনবা নুমিৎতা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা লোন বোল অমসুং টাইকুন্দো মশান্নদা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিংগা থেংনগনি।

গেমস অসিদা মনিপুরনা সনাগী ১১, লুপাগী ১০, শেঞ্জেংগী ১০ পুন্না তকমান ৩০ ফংদুনা ৭ শুবা মফমদা লৈরি।

করনাতক্কানা সনাগী ৩০, লুপাগী ১১ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৫ পুন্না তকমান ৫৬ ফংদুনা অহানবা, সাভির্সেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্ডনা সনাগী ২৮ য়াওনা পুন্না তকমান ৫২ ফংদুনা অনিশুবদা অমসুং মহারাষ্ট্রনা সনাগী ১৯ য়াওনা পুন্না তকমান ৮৮ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

ফুটবোল(এল)ঃ লমলোং থোংখোঙ আর্টিফিএসিয়েল তর্ব গ্রাউন্দদা চখরিবা ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা যুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল(এল)ঃ ১৫ শুবা সয়িদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সি.আর.পি.এফ. ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই.দি.ওনা পাথাপ্পু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা রাউনা ৱাই.দব্লিউ.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ ৪ শুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরতিন তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি সেদোক গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতা বি.কে.সি.সি বামোনকম্পুনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু ৱিকেট ১০ দা থোইখ্রে।

পি.টি.আর.সি. গ্রাউন্দ পাৎশোই পার্ট ফোরদা শান্নখিবা মেটচতা-কে.এস.দি.ও ক্যামগৈনা সি.দি.সি.সি শগোলবন্দ শলাম লৈকাইবু ৱিকেট ৯ দা থোইখি।

তাউথোংগী খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতনা পি.সি.সি ময়াই কোইবীনা সি.সি.কে খোংমনবু রন ২৭৭ দা থোইখি।

লাহরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা-এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা ৱাই.এ.এল থৌবাল লৈশাংথেমবু রন ৯৮ দা থোইখি।

------